# ২০১৪দা লাম্লোকখিবা, লাউথোকখিবা, তোঙান-তোঙানবা সাহিত্যগী মনাশিং অমসুং ফংখিবা, ফংগদবা অইবশিং

খোমজিনবা - দোনেশ্বর কোন্সম

রাইটর্স ফোরম, ইম্ফালনা ক্ষেত্রি সনাজাওবদা মাগী মঙ মচেৎ, ইতিহাস মচেৎ অমদি অতৈ দ্রামা খরগীদমক খুন্দোংবম ব্রজেন্দ্রো নীংশিং মনা -২০১৪ পীখি।

সাহিত্য সেবা সমিটি, ককচিংনা কে এস ঐচ জয়কুমার সিংহদা মাগী চূমথাংদা হাপ্পা *খোঙচৎ অমসুং মঙ* (শৈরেং)গীদমক চন্দ্রশখি লাইশ্রম চূমথাং সাহিত্য মনা- ২০১৪ (শৈরেং), নাওরেম সমরজিৎতা মাগী চূমথাংদা য়াওবা *লৈকাসি অওন* (ৱারীমচা)গীদমক চন্দ্রশখি লাইশ্রম চূমথাং সাহিত্য মনা (ৱারীমচা)- ২০১৪, আর কে বিদুরদা চূমথাংদা য়াওবা *থিয়েটর অমদি ফিল্ম* (ৱারেং)গীদমক চন্দ্রশখি লাইশ্রম চূমথাং সাহিত্য মনা (ৱারেং)- ২০১৪, *চরুগী খাংপোক*(শৈরেং)গীদমক ক্ষেত্রি রাজেনদা চিংখু মোইরাং লৈমা নীংশিং কবিরদাস মনা-২০১৪, মোইরাংথেম রাজেন সিংহদা মাগী *চেপথরবা ঈশিং পুন* (ৱারীমচা)গীদমক য়েন্দ্রেম্বম সুরনলতা পুরস্কার-২০১৪, য়াম্বেম মনি সাহিত্য মনা-২০১৪ নাওরেম অহঞ্জাওদা মাগী *থোইনু* (দ্রামা) গীদমক, চহী অনী/অনীগী ওইনা পীবা চন্দ্রশখি লাইশ্রম গোল্ড মেদল ইন লিটরেচর প্রো. নোংমাইথেম তোম্বী সিংহদা পীখি।

হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স, ইম্ফালনা হুইয়েন লানপাউ লিটরেরী এৱার্দ-২০১৩ লোংজম জয়চন্দ্রদা মাগী মণিপুরী সাহিত্যগীদমক পীখি। নহারোল সাহিত্য প্রেমি সমিটি, ইম্ফালনা সঞ্জেনবম ভানুমতি দেবীদা মাগী *ওইরগদ্রা অরোইবা* (শৈরেং) লাইরিক্কীদমক খাইদেম প্রমোদিনী মনা-২০১৩ পীখি।

পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরমনা ৱাংথোই খুমনদা মাগী *ঙায়োনবা অশৈবা* (শৈরেং)গীদমক অরাম্বম ইবুংঙোহল অমসুং বিনোদকুমারি এৱার্দ-২০১৪ পীখি। সাহিত্য থৌপাংলূপ (সাথৌলূপ)গী নোংথোম্বম কুঞ্জমোহনদা শামুরাইলাৎপম গোপাল শর্ম্ম এৱার্দ (লাইফ টাইম এচিবমেন্ট) পীখি। দ কলচরেল ফোরম মণিপুরনা অরিবম চিত্রেশ্বর শর্ম্মদা মাগী *অপাইবা লৈচিল* (নোবেল) গীদমক 'দিনেশ্বরি সাহিত্য মনা-২০১৪, এলাংবম সোনামনি সিংহদা হুইরেম অমুবা অমসুং য়াইমবি এৱার্দ (লাইফ টাইম এচিবমেন্ট ইন লিটরেচর)-২০১৪, *ঐ অমসুং ইমা* (শৈরেং) গীদমক পরশুরাম থিংনামদা লাইরেল্লাকপম ধরমবির লিটরেরী এৱার্দ (য়ং ক্রিয়েটিব রাইটর্স) - ২০১৪, নিংঙোম্বম সনাতোম্বীদা মাগী *উকুগী য়ূম্না ঙাইহৌরি* (ৱারীমচা)গীদমক লাইশোম ওংবী ইন্দ্রানি অমসুং লাইশোম গীতাবলি মেমোরিয়েল এৱার্দ-২০১৪, লাইশ্রম সমরেন্দ্র সিংহদা প্রো চোংথাম মনিহার সিংহ এৱার্দ (লাইফ টাইম এচিবমেন্ট ইন লিটরেচর)-২০১৪ পীখি।

মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমিনা দা. যোদ্ধচন্দ্র সনসমদা ষ্টেট কলা একাদেমি এৱার্দ (লিটরেচর ক্রিয়েটিব ৱার্ক), প্রো. পি নবচন্দ্র সিংহদা ষ্টেট কলা একাদেমী এৱার্দ (লিটরেচর ক্রিটিকেল ৱার্ক), প্রো. থৌনাওজম রতনকুমারদা ষ্টেট কলা একাদেমী এৱার্দ (লিটরেচর ট্রান্সলেসন ৱার্ক) পীখি। মণিপুরী সাহিত্য প্রচারক সভা, ৱাংজিংনা শগোলশেম রাজমোহন মৈতৈদা ইবোতোম্বা সাহিত্য সেবক-২০১৪, শমচেৎশাবম তোলচৌদা সাহিত্য সেবক, দা. সোইবম কুমার নীংশিং মনা-২০১৪ ময়াংলম্বম সদানন্দাদা পীখি। মণিপুর গভর্নমেন্টকী দিরেক্টরেট ওফ লেঙ্গুয়েজ প্লানিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন্না মণিপুর ষ্টেট এৱার্দ ফোর লিটরেচর-২০১৩ বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেমদা মাগী *তুরেল নঙদি* (শৈরেং) লাইরিক্কীদমক পীখি। রাইটর্স য়ুনিয়ন, মণিপুর অমসুং ইস্লামিক কলচরেল এন্দ রিসর্চ এসোসিয়েসন্না অবদুর রহমানদা ইস্লামিক কলচরেল এন্দ রিসার্চ এসোসিয়েসন লাইফ টাইম এচিবমেন্ট এৱার্দ পীখি।

পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরমনা পাচা মীতৈ লিটরেরী এৱার্দ-২০১৪ সনসম উমানন্দদা, আর কথিং তাংখুল লিটরেরী এৱার্দ-২০১৪ নিংঙোম্বম রোসনিকুমারদা সরোজনলিনি পরাট লিটরেরী এৱার্দ-২০১৪ কে নিলকান্তদা পীখি। রাইটর্স ক্লব মণিপুর, নম্বোলনা নামৈরাকপম চন্দ্রেশোর (কামেশোর) নীংশিং সাহিত্য মনা-২০১৪ ৱাইখোমচা ইবোতোম্বী মঙাংদা মাগী *অঙাঙবা লৈগী অঙৌবা মচু* (ৱারী মশাং)গীদমক পীখি। লৈমরোল খোর্জেকোলনা থিয়াম রাধেশখি এৱার্দ-২০১৪ রাজেন তোইজাম্বদা মাগী *চহী তরেৎ খুন্তাকপা* (খোঞ্জেল লীলাগী লাইরিক)গীদমক, কৈশাম প্রিয়োকুমার সিংহদা মাগী *নোংখোঙ তম্না* (ৱারীমচা) লাইরিক্কীদমক ক্ষেত্রিময়ুম য়াইমা অমসুং থম্বাল দেবী নীংশিং সাহিত্য মনা-২০১৪ পীখি।

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, মেঘলয়ানা তোংব্রম জাতিশোর সিংহদা কাব্য ভুষন, নোংমৈকাপম নবকুমারদা সাহিত্য ভুষন অমদি এলাংবম কামেশ্বর সিংহদা সাহিত্য সেবক মিংথোল পীখি। মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটি, ইম্ফালনা থাংজম ইবোপিশক সিংহদা মাগী শৈরেংগী লাইরিক *দ্রৌপদী* গীদমক খুরাইজম ফুল্লো সনাথোই শৈরেং মনা-২০১৪ পীখি। সাহিত্য থৌপাংলূপনা দা. কে ইবুংঙোহলদা থিয়াম ইবোচৌবী নেসনেল এৱার্দ ২০১৪, নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন শোর্ট ষ্টোরি মনা সুধির নাওরোইবম, সুধিরঞ্জন মোইরাংথেম অমদি নবকুমার নোংমৈকাপমদা, নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন মণিপুরী পোইট্রি মনানা সুরমা নিংঙোম্বম, ইন্দিরা অহোংশাংবম, নিরমলা রাজকুমারীদা থিয়াম লৈরিকমচা ইন্টরনেসনেল এৱার্দ-২০১৪ সনাতোন হামোমদা মানা মপাল লমদা মণিপুরী সাহিত্যগীদমক তৌরিবা থবক্কীদমক পীখি।

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, বিষ্ণুপুর ব্রাঞ্চনা তৌরাংবম ওজা চাউবা নীংশিং সাহিত্য মনা-২০১৪ সলাম তোম্বদা মাগী *বুদ্ধনা তূপ্লিবা লমদুদা* (লমকোই ৱারী) লাইরিক্কীদমক পীখি। শৈপাননা শংলাকপম অচৌ শর্ম্ম অমদি শগোলশেম ইন্দ্রকুমার সিংহদা চহীসিগী শৈরেংবা-২০১৪ হায়বা মিংথোল পীখি। শৈরেংবশিংগী অপুনবা লূপনা য়ুম্নাম ধাকেশ্বর সিংহদা চহীসিগী শৈরেংবা-২০১৪ অমদি রাজমনি নোংথোম্বদা থোইথোইবা ঈশৈ শৈরেং ইবা-২০১৪ মিংথোল পীখি। ইরমদম খোর্জে অপুনবা লূপ (ঈখল), হিয়াংলম ৱাবগাইনা জাতিশোর তোংব্রমগী *অঙৌবা মচুগী অতিয়া* (শৈরেং) গীদমক মাইবম ওংবী বিমোলা নীংশিং মনা-২০১৪ পীখি।

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালনা বী. এম মাইস্নাম্বদা মাগী *শ্রীমতি কুমারী দেবদাসী* (ৱারীমশাং)গীদমক (ডা. যামিনীনা কৎচবা) সাহিত্য মনা ডা. যামিনী, ডা. সনাবম মণিলৈমদা মাগী *রিক্সো অমসুং নোংমৈ* গীদমক তেলেম আবির শেলগী মনা (তেলেম ইন্দুবালানা কৎচবা), প্রো. পোলেম নবচন্দ্র সিংহদা মাগী নৈন-ৱারেংগী লাইরিক *শক্তম অমসুং মমি* গীদমক অশাংবম মীনকেতন নীংশিং মনা, প্রো. যোদ্ধচন্দ্র সনসমদা মাগী *লৈশাৎ তল্লে নঙগীদমক* (নোবেল)গীদমক ডা. কমল কবিরত্ন নীংশিং শেলগী মনা (লমাবম ব্রজেন্দ্র সিংহনা কৎচবা), শ্রীরঘুবীর থিয়ামদা কাব্য ভুষণ, শ্রীনাওরেম গন্ধার সিংহদা সাহিত্য সেবক, শ্রী নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন সিংহদা সাহিত্য রত্ন পীখি।

রাজকুমার ভুবণসনাদা মাগী সনাকোকচা অমসুং ভূত নিংথৌগীদমক সাহিত্য একাদেমীনা বাল সাহিত্য পুরস্কার-২০১৪ পীখি। *ঙা য়োনবা অশৈবা* (শৈরেং) লাইরিক্কীদমক সাহিত্য একাদেমীনা ৱাংথোই খুমনদা যুব পুরস্কার পীখি। ষ্টেট কলা একাদেমী, ইম্ফালনা মখোনমনি মোংশাবদা মাগী *চীংলোন অমদগী অমদা* (সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ ফংখ্রবা লমকোই ৱারী)গীদমক ষ্টেট কলা একাদেমী এৱার্দ (ক্রিয়েটিব ৱার্ক)-২০১৪, দা সোইবম ইবোচাদা মাগী *খাম্বী মৈগী মশাশিং* হন্দোকপগীদমক ষ্টেট কলা একাদেমী এৱার্দ (ট্রান্সলেসন)-২০১৪, প্রো. এন তোম্বী সিংহদা মাগী মণিপুরী থিয়েটরবু নৈন-ৱারেং খরা (নৈন-ৱারেং) ষ্টেট কলা একাদেমী এৱার্দ (লিটরেচর ক্রিটিকেল ৱার্ক)-২০১৪ পীনবা লাউথোকখ্রে।

মণিপুর গভর্নমেন্টকী দিরেক্টরেট ওফ লেঙ্গুয়েজ প্লানিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন্না মণিপুর ষ্টেট এৱার্দ ফোর লিটরেচর-২০১৪ কৈশাম প্রিয়োকুমার সিংহদা মাগী ৱারীমচাগী লাইরিক *নোংখোঙ তম্না* গীদমক পীনবা লাউথোকখ্রে। সাহিত্য একাদেমীনা নাওরেম বিদ্যাসাগরদা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ-২০১৪ মাগী শৈরেং লাইরিক *খুঙ্গং অমসুং রিফ্যুজি* গীদমক পীনবা লাউথোকখ্রে।

*(অথুবা মতমদা খোমজিনখিবনা চিখ্-নাম্থ য়াওরম্লবসু ঙাকপীগনি।)*

---

লাইরিক্কী মপাউ

## খল্লরোই নঙগী ৱাখল

### (অরিবা মরূদগী চোংলকপা অনৌবা য়েন্নীং)

*লাইরিক্কী মমিং* ঃ খল্লরোই নঙগী ৱাখল
*অইবী* ঃ খাঙেম্বম ইবেতোন দেবী
*লাইরিক্কী মখল* ঃ ঈশৈ শৈরেং
*ফোঙবা চহী* ঃ ২০১৪
*অফোঙবা* ঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, বিষ্ণুপুর মসা

মশক তাক্লিবা ঃ **সলাম তোম্বা**




তনখ্রবা মতমদা লাইরিক ১৭ পুথোক্তুনা মণিপুরী সাহিত্যগী লৈকোলদা মশাগী মফম অমা কনবা ঙল্লবী অইবীনি, খাঙেম্বম ইবেতোন। অনৌবা চহীচা অসিগী অঙনবা মতমদগী শৈরেংগী লাইরিক, 'ইচেম্মা' ফোঙলকপদগী ঙসিফাওবা লেপ্পা লৈত্রি, মখল কয়াগী খূৎইদা। কবিনি, ফুঙ্গাৱারী ইবীনি, ৱারীমচাসু ইরিবী অইবীনি। শীংথাবা য়াবা অমনা হিন্দীগী ফজবা উপন্যাস অনী হন্দোক্তুনা পুথোক্লকপা অসিনি। 'নির্মলা' অমসুং 'অহিংগী ঈশৈ' কৌবা হিন্দীগী উপন্যাস অনীসি হন্দোক্তুনা হন্দোক্লোয় অমগী ফিদা ফংখ্রবীনি। অদুদগী অমুক্কা হেন্না মাবু থাগৎফম থোক্লিবনা মোইরাংথেম প্রিয়ব্রতগী মমিং লৈবা রেদিও প্লে অনী, 'হে থম্মোয়' অমসুং 'থম্মোয়গী লৈকারক্ত' অসিবু হিন্দীদা অমুক হন্দোক্তুনা লোন অনী অসিবু মমুৎ তানা খঙই হায়বদু উৎখিবা অসিনি।

হন্দক অমুক অইবী অসিগী মায়থোঙ অমা উরে। ঈশৈ ময়েক ইবী অমা ওইনা। হান্না ঈশৈ ময়েক্কী লাইরিক অনী ফোঙখ্রে। হন্দক্কী অসিনা অহুমশুবনি। লাইরিক অসিদা পূন্না-শকমিন্নবা ২১, মতমগী ঈশৈ ৬৫, শৈরোন্দা ৩৬, লাইশোন ঈশৈদা ২২ অমদি লৈবাকনীংবা ঈশৈদা ১৮, পূন্না ঈশৈ ১৬২ য়াওরি। ঈশৈ লোইনমক নৈনবদি মফম চাদ্রে। অদুবু অইবীবু মশক তাকপা য়াবা ঈশৈ খরদং লৌখৎতুনা পাউদম্নবা হোৎনজগে। ঈশৈগী শাজৎ চুম্বা, লয় লৈবা, ঈশৈ কয়া য়াওরি। ঈশৈ হায়বসি শৈরেংনি, অদুবু শৈরেং খুদিংমক্তি ঈশৈ নত্তে। শৈরেংদি কবিগী থম্মোয় ঈহুন্নি, কল্পনানি, য়াম্না সবজেক্টিব ওইবা পোৎনি। অমুকসু শৈরেংদি পানবনি। অমরোমদা ঈশৈদি শক্লবনি, অতাবা মী খরা লৈফম থোকই। অদুনা কল্পনা খুদিংমক ঈশৈ ওনবা ঙমদে। অদুগা অতাবা খরদুগী পেন্নবা হোৎনবদা ঈশৈগী লোনচৎ কাউথোকপসু য়াদে। অদুনা ঈশৈ ময়েক্তু ওবজেক্টিব ওইরকই।

ঈশৈবু ঈংরাজিদা লিরিক কৌই, সুর, ছন্দ, লোয়নৈ হায়দুনা মেলিক হায়নসু কৌনৈ। পূন্না শকমিন্নবা ঈশৈবুনা কোরিক কৌই। যন্ত্র য়াওনা শকপা থায়নদগী হৌরকই। অদুবু হৌজিক্তি যন্ত্র য়াওদনা শকপা য়াবা ময়েক ওইবা ঙম্বা তাই। ময়েক্কা সুরগবু অমনা হকচাংনি, অমনা থৱায়নি হায়নৈ খাইদোক্লবা য়াদে। হিন্দীগী ফাওরবা শৈরেংবা আনন্দজীনদি ময়েক্কা সুরগবু মতৈ-মনাওনি হায়না প্রমান তৌই। হৌজিক্তি মশাদা সুর য়াওবা ঈশৈ ময়েক ইনরে। অদুবু ৱার্দ-মেলোদি কৌনৈ ইংরাজিদা। হিন্দীগী ঈশৈ ময়েক ইবা গুলজরনা হায়, 'ময়েক্লবু ফজরবদি ঈশৈ ওইনা শকপীদ্রবসু মদোম হিংবা ঙম্লে হায়রি। মসি অচুম্বমক্লি।

ঐনা ৱাফম খরসি পঞ্জরুবগী মরমদি অইবী অসিগী ঈশৈ ময়েক খরদি তশেংনা ফজরে, ৱাহৈগী, অর্থগী ফজবা মশক উরে হায়না হায়জনীংঙি। ৱাফম অমনা অইবী অসি চহী লৈশিল্লক্লবা মীওইনি। অদুনা মানা থেংনরকপা পুন্সিগী মচল কয়া ঈশৈদা মমি ফজনা তারি। তশেংনা এক্সপরিয়েন্স য়াওদনা কল্পনা খক্তনা ঈশৈ ইবদি মপুং ফাবা ঙম্লোই হায়বসি পূন্নমক্লা য়ানরবা ৱাফমনি। ৱাখলগী সংসারগা রিএলিটিগা পূল্লগদা মচু শঙবা ঈশৈ ওইদৌরিবনি। অতাবা মীগী থম্মোয় য়ৌবা ঙমগনি খল্লি। অইবী অসিগী ঈশৈ ময়েক অমতং লৌখত্তুনা য়েংবা য়াই। লাইরিক অসিগী মমিংসু ওইরিবা, *'খল্লরোই নঙগী ৱাখল'* হায়বসিদা মীনম্বীরল্লবা মশাবীবু ৱারৌনা নুজা অমনা শৈথারি, *"খল্লরোই নঙগী ৱাখল/খল্লরোই, খল্লরোই, খল্লরোই/ পুন্সিদা লাইমল ওইদনবা/ পুক্লিংনা পোৎলুম পুদনবা।"* অহানবা তাঙ্কক, স্থায়গী শরুক্লি, ফজে। ইমোসন অমা ফজনা ফোঙদোক্লি। অহানবা অন্তরাদা অমুক নীংবা কায়রবী নুজা অসি ৱাখল খন্থরকই। ইন্টেলেক্টকী তাঙ্কক য়ৌরকই। অদুনা অমুক শৈথারকই, *"অনৌবা ৱাখলগী মঙালদা/ হিংলগে পুক্লিংসে নুংঙাইনা/পুররোই অৱাবৈ পোৎলুমসু/ লেল্লরোই অমুক নীংবা কয়ানা/"* অফবা মায়কৈদা থাংলকপা খোঙথাংনি। কায়ন-মৈশা কোক্ল বা খন্থরকপা ৱাখলনি। অনৌবা আশাদা হিংবা অফবা ৱাখলনি। নীংবা কায়দুনা শিরগে, মাঙখ্রগে হায়দ্রি। ইমোসন্না হুমদুনা পুবা ঙমদ্রি। *মখা লামায় ৫ দা...*

---

হন্দোকপা

## সতী

হিন্দীদা ইবা- গোরাপন্ত শিবানী
মণিপুরীদা হন্দোকপা- **লৈমপোকপম বেদান্তী**

*হান্নগী মখা...*

খঙহৌদনা ঐখোয় অহুম্মক মদালসাগী চহী ফারবা মপুরোইবা কায়নখিবা অদু হৌজিক-হৌজিক্তা ওইরবোই খলহল্লে। "অদুদি নহাক্কী 'হসবেন্ড'গী 'ডেদ বোডী' পুরগা প্রিতোরিয়া 'ফ্লাই' তৌগদোইরা?" মরাঠীদুনা হংলকই।

"চৎলোই বেন!" মসি হায়রদুনা মদালসাদু সীটতা হিপথখরে, উজাও অমা তুমথরকপগুমই।

মানা অশাংবা শ্বর অমা হোল্লদুনা হায়রকই, "ঐ তশেংনমক সতী ওইরগে হায়দুনা ভারত্তা লাক্লিবনি!" ঐখোয়দা ক্লোরোফোর্ম থাবগুম পংথহল্লম্লগা সতীদু মমিৎ উইশিনখরে, অসুম্না হায়বগুম তৌরি, ঐবু ঈংনা-তপ্না ঙাইহাক্তং তুমহল্লু।

হৌজিক্কী মতমদা ৱাফমসিবু! লৈতোন শেংনা অংগ্রেজী ঙাংলিবী, ফুট তরুক্কা ইঞ্চি তরা মখায় ৱাংবীসিনা হয়েংদি উনদা ফুম্লরবা মপুরোইবগী অশিবা হকচাংবু কোল্লদুনা মৈনুংদা ফমগদৌরি।

"হুম, নঙনা অসুম্না অপঙ থৌনা উৎপগী করিমত্তা দরকার লৈতে। মসি আইননা য়াবা থবক নৎতে, নহাক খঙদরনে?" খাদি শেৎপী নুপীদুনা হৌগৎলক্লগা মদালসাগী লুখুমদা ফমদুনা ভাষন পীবা হৌরকই, হৌজিক-হৌজিকমক মৈনুংদা হেক্তা চোংশিল্লগদৌবদু মঙায়। "য়াম্না শোন্থরকপা মীৎকুপ্তা নুপীশিংনা অসুম্না অঙাং মচাদৌনা হেক-হেক তৌরকই। হন্দক্তসু ঐগী আশ্রমগী নুপীমচা অনীসু অপঙ থৌনা ফুদোকখি। য়েংউনে ভারত-পাকিস্তান খাইদোকপা মতমদুদা ঐগী ইপুরোইবা লৈখিদবনি, অদুবু ঐ সতী ওইখিদে। সিল্লী সেন্টীমেন্ট! ঐসু মতমদুদা নঙগুম্না ৱাখল থেল্লম্লবদি ঙসি তোল্ল-তারবশিংগী সেবা তৌবা ঙল্লমখিগদরা? হান্ননা মাডেল জেলগী প্রসিদেন্ট ওইরম্লে অদুগা হৌজিক্কা তোল্লবী কনা লৈজদ্রবীশিংগী আশ্রম য়েংশিল্লিবসিনি।"

"নো, বেন, নো।" মদালসানা মমায় লৈশিল্লত্তুনা হায়রকই, "ঐ সতী ওইরূরগে হায়দুনা ভারত্তা লাক্লিবনি। হায়, ঐগী নীলরতন, নীলু দার্লিং।' অসি হায়রদুনা মাগী নুপাগী রুমাল অচৌবদুনা মমায়দু কুপ্শিল্লদুনা হিক্ল-হিক্ল কপলকই।

"নহাক্লবু য়ারবদি ঐ নহাক্কা লোয়ননা চৎমিন্নরগা, নপুরোইবগী অরোইবা মথৌ-মঙম পাঙথোক্লম্লগা ঐগী আশ্রমদা চৎসি।" সমাজ সেবিকাদুনা মাগী পুকচেল চাউবা উৎলদুনা মদালসাবু থেন্নবা হোৎনরকই।

মদালসানা য়াম্না করেম্নবা মিনোক অমা নোক্লম্দুনা হায়রকই, "থাগৎচরি, বেন, অদুবু হৌজিক্তি ঈশ্বরনা ফাওবা ঐগী অনিংবসিদগী করিমত্তা লেংহনবা ঙম্লরোই। "আই সুড নাট হেব তোল্ড য়ু'। ফরেদা, খুৎশা হামদোক্লগা চান-থৱবা শেম-শারসি। করি হায়গে?" মসি হায়রদুনা মানা লফুমুকচাউবা মফৈংল অদুদা মখুৎ অনীদুনা পোপ-পোপ য়ৈরি।

ঐখোয় অহুম্মকপু ঙকহল্লম্লগা মানা মাগী থুম্মোক্তুদগী অনানবা ফদি, সাবন লৌথোক্লগা বাথরুমদা চংখ্রে। মানা হেক চৎখিবগা ঐখোয় অহুম অমত্তা ওইনা তিন্নরে। 'অঙকপা নুপীনি! মাগীসিবু তশেংনা সতী ওইগদৌরবা জাৎলা?" মরাঠী নুপীদুনা হংলকই।

"কনামত্তনা শিরমদাইদা লাউ-থোক্লপোৎ নত্তেদা।" মানা নোক্লদুনা হায়রকই, "ঐদি মাগী স্ক্রুসি খরা কোম্বরা খল্লিয়ে" মসি হায়রদুনা মানা মখুদোম্বী মকোক্তা থিল্লি। "হৌজিক্কী মতমদবু কনাগী সতীনোদা।"

"ঙাকপীগনি" খাদি শেৎপী নুপীদুনা য়াম্না চীংলেম্না হায়রকই, "অদোমদগীদি ঐনা হেন্না নুপীশিংগী মরমদা খঙজে। অসিগুম্বা ৱাখল শোনবী, থম্মোয় শোনবী নুপীশিংসি উবমক্তদা হেক্তা খঙজে। মাগী মমিত্তু উরেদনা? কয়াদা ফজখ্রবা, শেংখ্রবা অমদি পুকচেল চাউখ্রবা। মপুরোইবগী অশিবা মশাদু হেক উবগা মানা তৌগে খল্লিবদু শোয়দনা পাঙথোকখ্রগনি, মসি ঐগী থাজবনি। ঐগী প্রোগ্রামসি তোকথোক্লগা, মা পুরগা পুলিসতা পাউ পীবা তাবনি। মদুম্না তৌরবদি মাবু কনবা ঙমগনি।"

তাঞ্জাদুদা মদালসাদু মমায় মমিৎ তাথোক্লদুনা য়াম্না ফ্রেশ ওইনা লাক্লে। রেলগাড়ীদু উমং-ৱামং, তুরেল, খুল কয়া থোং কয়া লান্দুনা য়াঙনা চেল্লি। মদালসানা মাগী থুম্মোক্তগী অচা-অথকশিং পুথোরক্লে। লমশাং চৎপদা অমনা চাবা হৌরক্লবদি অমসু হেক্তা লাম্লকপনি। সতীগী চৎনবীগী মরমদা ৱারী শান্নরম্বদু কর্পুরগী মনিলগুম পাইখ্রে, থুনমক ইশা-ইশাগী টিফিন হাংদোক্লরে।

"ঐখোয় পূন্না চামিন্নসি" মসি হায়রদুনা মানা নেপকিন্দু ফজনা থারে অদুগা ষ্টীলগী তেংকোৎ মচা-মচাশিংদু পুথোকপা হৌরক্লে।

ঐনা "থাগৎচরি! ঐখোয়গীসু চানবা য়াওরি, মসিনা কনানা চাবীগদৌরিবা?"

"ঐনা হেক চাথোক্লগা লোইরেদনা, ঈশ্বরনা ফুট তরুক্কা ইঞ্চি তরা ৱাংনা শেম্লমলিবসিবু করিগীদমকনো?" মাগী মোমোন মীনোক্তুনা ঐখোয় লোয়না শুক্ষৎখরে। ঐখোয়না মাগী ঘী নম্লবা মসালা নিংথিনা থাক্লবা এঞ্জাং মথেলদুদা লাংতক্লনা য়েংবদু মানা খঙখরে। "মসিদি লমশাং চৎপগী অচা-অথক নত্তেনা, লুহোংবগী চাকলেনগুম্লে। সমাজ সেবিকাদুনা হায়রকই। য়াম্না হেবী ওইবা চাকলেন পুরক্লিনে!" অসি হায়রদুনা মোমোন লাওবা কচৌরিশিংদু পায়খৎখরে।

ঐখোয় অহুমগীদি ভারতীয় রেলগী যুগ কয়াদগী লোয়নরক্লবা পুরী-এঞ্জাং অমদি হৈনৌ আচারনি। ঐখোয় ইশাগী চানবদু থাদোক্লগা মদালসাগী অহাওবা মথেলশিংদু ওইনা চারে অদুগা মা মথন্তনা ঐখোয় অহুমগী চানবদু ঙমথোকখরে। মতুংদা মানা মাগী থুম্মোক্তুদগী মসজিদ মানা ক্কারুবাক অমা পুথোরক্লে।

"মসি ঐগী নীলুনা বাগদাদতগী লৈবীরকপনি, মসিদগী ক্কা অহাওবা অমা চারগা, ক্কারুবাকসিগা লোয়ননা ঐ হয়েংদি মৈনুংদা ফল্লগনি।" মসি হায়না মানা এলায়চী থাক্লবা মৈনপুরী সুপারী মতপ অমমম ঐখোয়দা লাল্লক্লে।

*মখা লামায় ৫ দা...*

---

শৈরেং

## অরিবনা অনৌবদা

**এস ভানুমতি দেবী**

কপ্লম্বদো অসুক কুইবসি নঙগীদমক
নোক্লগে ঙসিদি নঙগী হয়েংগীদমক
অরোইবা নুমিৎনি ঙসিনা ঐগী
অহৌবা নুমিৎনি হয়েংনা নঙগী।
নোকহৌরো নঙদি মালেম তম্পাকথক্তা
কপ্লুগে ঐদি অৱাৎপশিংদু নীংশিংনা।
অকনবা নোংলৈ নুংশিৎতা তুখি উপাল কয়াসু
নীংবা কায়রবা ঈপাক্তা লূপখি পুন্সি কয়াসু
ঙসিদগী হয়েং, হয়েংদগী হংচিৎ হায়না হায়না
কাওহল্লি অৱা অনা পুম্বা অনৌবা চহী নহাক্লা;
অৱাববু তুংওইনা নুংঙাইবনা মাঙওইনা
চৎলুকো অনৌবা পুন্সি হরাও তয়াম্না।
নুংঙাইহল্লু অহোংবনা কাইরবা থম্মোয়শিংবু
শাৎকায়হল্লু ফুগাইনা খুইথরবা আশাশিংবু
খোঙচৎনি পৃথিবীগী অমা মম্বদা অমা ঙানবা
চৎনবীনি মালেমগী অমা শেম্বদা অমা কায়বা।
মুৎখ্রগনি অরিবা খোঞ্জেল পুন্সি চুপ্পগী
তারগনি অনৌবা খোম্থাং মতম পূম্বগী
য়ূরিবা তিঙ্খং শৎতোকহৌরো পুন্সি চুপ্পগী
কায়রিবা থম্মোয় নানবীহৌরো মতম পূম্বগী।
অরিবা চৈনা পূম্বা কাওনা
অচিক-অশা খায়বা পুন্সি ওইনা
হিংহল্লুকো মালেমসে ময়েক শেংনা
হিংহল্লুকো মালেমসে ময়েক শেংনা।
●

## খোয়রাং খোয়শাওনৈ

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

য়োং হনুবদু খোয়রাং খোয়শাওনৈ
অনৌবা চহীগী পাউজেল তাবদা:
"পুরক্লসনু অনৌবা চহীনা
চাউখৎপা, নুংঙাইবা, ঈং-তপ্পা।"
কুমওন কয়া হিংলক্লে য়োং হনুবদু
অদুবু উখিদে অনৌবা চহীনা পুরকপা
চাউখৎপা, নুংঙাইবা, ঈং-তপ্পা।
মথম্মোয়দা চৈরি পেন্না
মখূৎ তিংথোক্তবগী অনৌবা চহী লাকপদা
অনৌবা চহীগী তরং-তৱংবা নুমিৎতা ওনশিল্লদুনা।
অদুবু মহাকসু তিংথোকখিদে মখূৎ অনীদু
চাউখৎনবগী, নুংঙাইনবগী, ঈং-তপ্নবগী।
য়োং হনুবদু খোয়রাং খোয়শাওনৈ
অনৌবা চহীনা লাকপদা
নুমিৎ, থা, থৱাম্নীচাকশিংদা
করিগী পীবিদে মাগী ৱাহংগী পাউখুম
মাগী চান্নবীগী মপাও।
য়োং হনুবদু খোয়রাং খোয়শাওনৈ
অনৌবা চহীনা লাকপদা
মাগী চান্নবীবু নীংশিংলুবদা।
অদুবু য়েন্নীং হুল্লিবনি মাগী থম্মোয়সু
কুমওন খুদিং লেপ্পা লৈতনা
ওল্লাং থাগী নামিবা নুংশিৎনা থেংলকপদা
নিংথম থাগী লুম্লবা নুংশানা কোনশিনবীরকপদা।
●

## নঙ অদুম চৎলো

**সলাম তোম্বা**

নঙনা লাকখি অথেংবা অহিংদা
অদুগা লৈশিল্লখি নমদুনা
ঐগী কা অসিদা।
অদুগা চৎকে হায়রে অমুক
অহিং অথেংবসিদা ঙসি।
মচিং-মশোন নাইবা
চহী অমখক্কী মরুপ নঙবু
ঐনা অসুক নুংশিরুবা করিগীনো?
ঐবুদি হৌরনু, ঐ চৎপা য়াদ্রি
য়েংঙু, ইচাশিং অমত্তা হল্লক্ত্রি
নিংতম্বা লৌবা চৎখিবনি,
ইমোমশিংগী মথৌ মঙম লোইদ্রি
ঈজৎ মাঙহল্লগা হাৎতোকপীরম্বনি।
অদুগী মথক্তা, য়েংঙুদো!
পুন্সি শৈরেং অসিমত্তং ইবদা
ইর কল্লা ইর কল্লা
লোইশিনফম অমত্তা খঙদ্রি।
অদুনা নঙ অদুম চৎলো,
থিন্দোরক্লিবা কোরৌগী মঙালসি
অমুক্তং ওক্লমখিগে ঐ।
●

## হেনগৎলক্লি অৱাবা

**বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেম**

পুন্সিগী তেল্লবা য়াঙদৌ লম্বীসিদা
থুংলরে অমুক অনৌবা চহী
থাংজিল্লি খোঙকাপ খরসু শোইদনা
হনগদবা লমদমগী মায়কৈদা,
অয়ুক নুংথিল লাক্লিবা কোরৌহনবসে
হনখি নুমিদাংৱাইরম খুদিংদা
অসুম্না ওইদুনতা লাক্লি
মশীং থিরুবা ঙমদ্রবা অয়ুক নুমিদাং,
খল্লুদবনা নোংমতা
কাওথোকচরি ইশাবুদি
নীংশিংলুদে হনগনি হায়বা নোংমা।
কায়নবগী মতমবু কনানা হায়বা ঙম্বগে
ঙমদে কৈদৌঙৈ উন্নগনি হায়বসু,
লাকসনু লাকফম থোকপা অনৌবা চহী
হনখ্রসনু হনফম থোকপা অরিবা চহীসু
শান্নবনি অমত্তনা অনীগী কুম্মৈ
হোংদবনি মতম চুপ্পগী,
অৱাবা নুংঙাইবা
কপ্পা নোকপা
কুম্মৈনি মীৎকুপ খরদংগী
পুন্সিগী য়েন্নীংবু কয়ারক হুনবা য়াবগে
লাক্তবা য়াগদ্রা অরোইবা নাকেন্থা
ঐ ঙসিদি য়াম্না ৱাই
নত্তে অরিবা চহীগা কায়নখিবগী,
য়েংলক্লি ঐবু পাঙথোক্ত্রিবা ইথৌদাংশিংনা
হংলক্লি; করিবু পাঙথোক্লম্বা ঙমগদৌরি
করিবু থনম্লগা হনগদৌরি
পুক্লিংনদি হায়রি
ঙমগনি লোইনা ঙমগনি,
নুমিৎতি কোকতোন লোমখিবা কুইরে।
●

## অনৌবা চহী

**পি শরত খুমন**

থোক্লুরোই খল্লুবা থৌদোক কয়া
শোইদুনা থোক্লরনি নীংলুবা ঙম্নমক
লাকখিবা চৎখিবা কয়ারকনি ওন্ননা
করিদবু ঙক্লুনি, হকথেংনরক্লুবনি মশীং নাইদনা।
য়াম্লক্লে কুমওন
নতম্বাক্তা শান্নজরম্বদগী
নঙবু ঙম্না কাওরকপা।
অফবা ফত্তবা খেন্নরবা থৌওংশিং
নঙবু কায়নবা অমসুং ওকপগী,
করিবু পুরকখিবগে, করিবু পুখিবগে
অমকপা, মক্ত্রবা, মীরমচৎ, শারমচৎ।
অদুবু শেমদবদি ঙম্লোই অনৌবা শৈয্য
শেমদবা য়াদবগুম অরিবগী লম্বী
শোইদনা পুখিনবা তাহৈ-উহৈদ্রবশিং
হৌখিবা অনৌবা চহী কয়াদসু
ওকখিবনি ঙসিগুম হরাও-তয়াম্না,
কপখিদে কনাসু কায়নরমদাই মীৎকুপ্তদি
নহাকপু নুংশিনা পাম্মুনা কায়ননীংদনা
চৈখিবা ঙাক্লি অমুক হল্লক্তনবা।
নহাক্লা নৌনা খুম্থোক্লকপা খুদিং
পুরকখিব্রনে তাইবং ৱাংমগী চৎনরোল
চৎনহৈদ্রবা অনৌবা চৎনবী অমমম
অনৌবা চহীগী অনৌবা খূদোল ওইনা।
ঙসিসু থাংজিল্লক্লে নহাক্কী খোঙ
ঙম্লোই কনানসু থিংলুবা খাম্লুবা
নীনিঙাইসু লৈতরে হায়রুনিঙাইসু লৈতরে
অনৌবা চহী নহাক্কী নফমদা
●

## শকমীন্ননীংই ঈশৈসিমদি

**ববিতা য়ুম্নাম, সিলচর**

মীৎ শুক্তোক্লা য়েংবীনু
নীংবসু কায়হনবীনু
ঙাইরিবনি ঐদি মীৎকুপমত্তং পোখাজনীংদুনা
নথম্মোয় লাইয়ুমদা।
কুমজা কয়ানি
লৈতাদবা ৱাখলগী অতিয়াদা
কোইপাই পাইদুনা
খোইদৌ শিকপমখৈ হিংলকপা,
শিবসু ঙমদে
হিংবসু ৱারে।
কুমগী নোংনা মরোল লোল্লবসু
লৈক্রক চৎলি অদুম্মক
থম্মোয় থম্মোয় তায়নবদা।
অদুনা,
তাঙ্গাই ওলহন্নীংলে লৈকংলাগী ৱারীশিং
অমুক য়েন্নীং হুন্দনবা।
অনৌবা চহী নঙনা
মৌ অনৌবীগুম থুংলরবদা
কুমজা কয়াদগী আশাগী শিয়োমনুংদা
য়োক্তুনা থল্লকপা নীংতম ঈশৈসিমদি
মীৎচান্ননা শকমীন্ননীংই
নঙগী লূরবা মীৎস্নাগা
ঐগা।
●

## নুংশিরবা ইচাশিংগীদমক

**রানীবিনা কে ঐচ, কেরলা**

ঈ তৈরবা পেসৱারগী লৈমায়দা
য়াতাখ্রবা নুংশিরবা ইচাশিং
তুমখুল তানখ্রো মতম চুপ্পগী,
খল্লুরগনু অমুক মীৎকপ থোক্লক্কে
য়েংবা ঙম্লোই ইমানা
নখোয়না হন্না শিবদো।
মীওইবা মরক্তা মীওইবা ওইদ্রবা
হায়নীংদে মখোয়বু শারমচৎ চৎপনি
ৱারৌখিনি তারগা শাশিংনা
মখোয়বু মীংচৎ থিহল্লে হায়দুনা।
তাইবং করিনো খঙজদ্রিবা
পোক্লকপদা ঙাইরিবা লৈ মখোয়বু
করিগী কনথৎপনো নকন্থী থোক্লা
ওইরগদবা লননি হয়েংদি লৈকোলগী,
অসুম্না ওইখি নোংমা শিরমদাইদসু
ওইরবা য়াই ইরমদমসিদসু নোংমা।
নরাল লৈতনা চৈরাক ফংলবা
ঐগী নুংশিরবা ইচাশিং
চোইজাইনরবা নখোয়গী তোংশা মচেৎ মচেৎ
তাশিন-খোমজিনগে ইমানা
পাম্মুরবা থৱায় মীরেলশিংগা কোন্ননা
পকখিদনবা খূয়া উফূল
লৈখা তারবা মখোয়গী,
হংগনি ৱাহংসিমসু লেপ্তুনা
করিবু কান্নরিবা মসিনা।
শিন্নরমগে ৱাহংসে পাউখুম ফংদ্রিবা
অনৌবা চহীসিদা নুংশিরবা নখোয়গীদমক।
●

## অনৌবা চহীদা হায়জবা

**রমেশ্বর লাইশ্রম**

অনৌবা চহী নঙোন্দা হায়জরি,
নঙনা লাকপসিদা বোমদদি পুবীরক্কনু
বোম পুরক্ত্রবদি লাকপা ঙম্লোই হায়রগা
পুবীরকউ অনৌবা বোম
পোকখায়রোইদবা বোম
মীবুদি কিহনবা বোম।
পুবীরক্কনু নোংমৈ,
নোংমৈ পুরক্ত্রবদি লাকপা ঙম্লোই হায়রগা
পুবীরকউ অনৌবা নোংমৈ
মরূ চৎতবা নোংমৈ
মীবুদি কিহনবা নোংমৈ।
মী শিবগী শক্তম
ঐদি য়েংবা য়াম্না ৱাজৈ
অশি-অনাগী তেংথাখোল
ঐদি তাবদা থম্মোয় য়াম্না কায়।
মী মতৎ-মতৎ, মী মচেৎ-মচেৎ,
খ্বাঙ কেনবা, খুৎ তৎপা,
কোক পুমচাই চাইবা...
হিংনীংই ঐহাক
মী শিদবা লমদমদুদা।
ঐনা হায়বসি তাবীবরা
লাৎচগে নঙবু চহীসিমগী
থাজরি ফম্ফম নঙনা লেংশিন্নবা
লেংজরি লৈ-পরেং নঙোন্দা হুক্লবা
শন্দোকচগে মীপুম তিংনা
নঙদি অফবা চহীনি
নঙবু কৌই অনৌবা চহী।
●

---

ঈশৈ

## ঙাইজরমগেকো মাঞ্জ-ও

ঙাইজরমগেকো মাঞ্জ-ও
খোঙদোইরক্লো লোয়ুম্ব-ও
গুলাবনা পাউখোং চল্লক্লে
ঙানু থঙ্গোংসু পাইরক্লে
কৈদনো নঙবু নুংশিব-ও
নিংঙোলগী থৱায় ওইরিবী-ও ।।০।।
লমদনবীরনু নহৌশা
পাউমেন ৱাহৈদো নীংশিংঙু
লোইদাম কুইরে খল্লানখিবা
কুমওন য়াম্লে খোঙদোইখিবা
অনৌবা কুমওন য়ৌরক্লে
কৈদনো নঙবু লোয়ুম্ব-ও
মাঞ্জ ওইবা পাম্মুব-ও
থৱায় ওইবা মাঞ্জ-ও ।।০।।
ৱাহনবীরনু নতৌনা
খোঙথাং শহুম তাজনীংই
কুমওন কুম্মৈ য়াওজরগে
ফৌবী জগোই উখিদরে
চৈরোংগী তান্থা তাখিদরে
উল্লেনগী চৈনা ফাওরক্লে
ইশাবী ওইনা লোয়ুম্ব-ও
শমায় লৈরক্লো পাম্মুব-ও
খোঙদোই হুল্লক্লো মাঞ্জ-ও ।।০।।

*শৈরেংবা* ঃ দোনেশ্বর কোন্সম
শৈশকপী ঃ সুনিতা নেপ্রম

## অনৌবা চহীগী চন্নবা খূদোলসে

অনৌবা চহীগী চন্নবা খূদোলসে
থেৎলমগে নাপ্পদা শিঙেল গুলাব
অনৌবা কুমওন্না লাকপদা নীংশিংনবা
পীরমগে নীংশিংবা নঙগী থম্মোয়দা ।।০।।

কায়নখিবা তারবসু পুন্সি অসিদা
ওইনখিবা তারবসু লন্নানবা লন্নানবী
হায়রমগে অসিমত্তং নঙগী নাপ্পদা
কায়নবা থুংনবা বিধিগী নোংদম্নি ।।০।।

কিরিবা কিশিসে নুংশিগী লীপুলনি
চল্লিবা পাউখোংসে পুন্সিগী পাউখোংনি
থনমগে ঙসিদি মমি অমত্তং
চন্নবী নহাক্কী মক্ত্রবা থম্মোয়দা ।।০।।

*শৈরেংবা* ঃ নরেন্দ্র নিঙোম্বা
শৈশকপা ঃ মোইরাংথেম তিকেন্দ্র